**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-11-2025)**

**সঙাই (এল)ঃ** নুমিৎ ১০ নি চথুরকপা মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙসি লোইশিল্লগনি। লোয়শিনবগী মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ভৈগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়ার ঠিয়েটর (বোট) তা পাঙথোক্লি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়- রাজ্য অসিগী লম কোইফমশিং হেন্না নীংথিজনা শেমগৎতুনা মফমশিং অদুদা লম কোইবা মীওইশিং হেন্না লাকহন্নবা থবক কয়া সরকারনা লেপ্তুনা পায়খৎলি। মরুওইবা লম কোইফমশিংদা মীয়াম লাক্তুনা য়েংবগী চাং হেনগৎহন্নবা পায়খৎপা রোপ ৱে প্রোজেক্টশিং লোয়শিল্লক্কদৌরে। টুরিজমনা চাউখৎ খোঙজেলগী মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়বসি পুমমকা খঙমীন্নবগা লোয়ননা ঐখোয় পুমমকা রাজ্য অসিগী টুরিজম মালেমগী মীয়ামদা হেন্না খঙহন্দুনা চাউখৎহন্নবা হোৎনরসি হায়নসু রাজ্যপালনা আপিল তৌখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা গভর্নমেন্ট দান্স কলেজগী কোরিওগ্রাফিক প্রজেন্টেসন য়াওনা ঈশৈ-নোংমৈগী থৌরম কয়া উৎখি।

হৌজিক নুমিদাংদা মিস শঙাই ২০২৫ গী গ্রান্দ ফিনালে পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পাৎতা চথুরিবা থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি লান তানবা, খু-ইন চিংবা, লোংথ্রাই ইনবা অমদি পো-পা হি য়ৈবনচিংবা পাঙথোকখি।

খুমন লম্পাক আর্চরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা শঙাই ম্যুজিক ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা ইরমদমগী অমসুং লৈবাক অসিগী আর্টিষ্টশিং অমসুং বেন্দশিংগী ম্যুজিক পার্ফোমেন্সশিংসু উৎলি।

**আইদিপি (এল)ঃ** লাঞ্জেন্নরক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা ঙসি ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাগী নোংচুপ থোং মমাংদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। বির টিকেন্দ্রজিৎ ফ্লাই ওভর ব্রিজকী মখাদসু লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা খোঙজং চংশিনখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মখোয় ময়ুমদা হলহল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

তুংদা, খোঙজং চংশিল্লিবা মীওইশিং অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদগী হলহনখি।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা কোকোমিনা শিনদুনা উরিপোক অচোম লৈকাইগী কম্ম্যুনিতি হোলদা আই.দি.পিশিংগা লোয়নননা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা, আই.দি.পিশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। তুংদা, কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-আই.দি.পিশিংবু দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী ময়ুমদা হলহনগনি হায়না সরকারনা মাংজোননা লাউথোকখিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবীগদবনি।

**য়াংকোক (এল)ঃ** ইম্ফালগী আর্ট কলেজতা নুমিৎ হুমনি চুপা চখ্থরকপা শকাইরবশিংগী লিক্লু পরেং হায়বা সোলো আর্ট ইগজিবিসন অদু ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ইগজিবিসন অসি থোইথোইবা ময়াংলম্বম (য়েলহৌ য়াংকোক আর্টিষ্ট পেন টর) না শিনদুনা পাঙথোরকপনি। ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ইগজিবিসন অসিদা শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিংদা মশা মশাগী অয়েকপা লাইশিং খুৎশিন্নখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ক্লাস থ্রিদগী আইট ফাওবগী মহৈরোইশিংগী লাই য়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি। শকাইরবশিংগী লিক্লু পরেংগী তরুকশুবা ইপিসোট মথং চহিদা বঙ্গলাদেসতা পাঙথোকবা শেম শারি হায়রি।

**রিজল্ট (এল)ঃ** প্রসার ভারত্তিদা মনিপুরি লোলগী ওইনা ফুল টাইম কন্ত্রেক্টতা, এদিটোরিয়েল ইগজ্‌কিটিব-ন্যুজ রিদর কম ত্রান্সলেটর লৌননবা ঙসি পাঙথোকখিবা অইবা চাংয়েংগী ফল লাউথোক্লে।

সেলেক্সন কমিতিগী চেয়ারমেননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মখা তানা পাঙথোক্কদবা ওদিসনগী মতমদি কোন্না খঙহল্লক্কনি। অকুপ্পা মরোল অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিসতগী নৎত্রগা নোটিশ বোর্ডতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসিগী ওইনা মীওই তরেৎ দেঙ্গি পোজিটিব ওইখি।

ইম্ফালগী জেনিমসতা মীওই ১০ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫ পোজিটিব ওইখি। লন্নাই ওইনা মীওই অনিগী সেম্পল টেষ্ট তৌবদসু মীওই অনিমক পোজিটিব ওইখি। রিমস হোস্পিতালদদি ঙসিগী ওইনা মীওই অমত্তা টেষ্ট তৌখিদে।

**দাইবেতিস (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই ১০০ গী মনুংদা মীওই ১০ দগী ১১ ফাওবা দাইবেতিসকী অনাবা লৈহায়না ইন্দ্রোক্রাইনোলোজিষ্ট স্পিপসিএলিষ্ট-ডা: সলাম রনবিরনা হায়রি।

সাইয়োমনা শিনদুনা শিংজমৈ চিংঙামখাদা লৈবা মসিগী কমপ্লেক্সতা ঙরাংদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকখিবা দাইপেতিস মেলিটস খঙদোকপা অমসুং মতৌ করমা লাকশিনগদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম লোয়শিনবদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রনবিরনা মখা তানা হায়-মালেমগী ওইনা মীওই ১০০ কিদনি ফেল ওইবগী মনুংদা মীওই ৫০ দগীনা ৬০ দি দাইবেটিস কন্ত্রোল তৌহৌদবদগী ওইরি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই ১০০ গী মনুংদা মীওই ৫০ দি মশাদা দাইবেটিসকী লায়না লৈ হায়বা খঙজদে। চহি ২০ দগীনা ৭৫ ফাওবগী

মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা মিৎ উদবগী মরুওইবা মরমসু দাইবেটিসনা থোকহল্লি। হার্ট এট্টেক অমসুং বি.পি. স্ত্রোক্কী চাং অসি দাইবেটিস নাদবা মীদগী নাবা মীদনা শরুক অনিদগীনা মরি ফাওবা হেল্লি। লায়না অসিনা অমুক নাখ্রবা মীওই অদুগী পুন্সিদা লায়না অসিগা অদুম্মক লোয়নদুনা লৈ। অসিগুম্বা ফিভম অসিদগী ঙাকথোকবগীদমক মতম চানা ডাক্তরগা তান্নবা অমদি পাউতাক লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

**দাইবেতিস (এল)ঃ** লাওইন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ভেল্লিনা অতৈ তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগা পুন্না শিনদুনা ঙসি দাইবেতিস খঙদোকবা অমদি মসিগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবগী কেম্প অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অচানফিগৈদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মালেমগী দাইবেতিস নুমিৎ অমসুং জিলা অমা, থবক অমা হায়বা খোঙজংগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

**কার্ড (এল)ঃ** ইম্ফালগী সোসিএল ৱেলফিয়ার কমপ্লেক্সতা লৈবা ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিটিজ, মনিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা দিফরেন্টলিএবল পার্সন্স মনিপুরগী ফ্রন্ট লাইনর-৩৮ দা হেলথ ইন্সুরেন্স কার্ডশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিটিজ মনিপুরগী চেয়ারপার্সন-ৱাইখোম বিরহরিনা অহানবা তাঙ্কক্কা ওইনা হেলথ ইন্সুরেন্স কার্ডশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। হায়রিবা গ্রুপ হেলথ ইন্সুরেন্স কার্ড অসিনা সেন্টর অসিগী য়ুনিটশিং অমদি ব্রান্সশিংদা ভোলুন্টিয়ার ওইনা লৈরিবা মীওইশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা কান্নবা কয়া পীবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরহরিনা হায়-হেলথ ইন্সুরেন্স কার্ডশিং অসি নেসনেল ফাউন্দেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ফ্রন্ট লাইন ইন্সুরেন্স প্রোগ্রাম (ফ্লিপ)

স্কিমগী মখাদা পীবনি।

**বন-ধন (এল)ঃ** বন-ধন বিকাশ কেন্দ্র স্কিমগী মখাদা কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজননা ঙসি টি-খুল্লেন কম্ম্যুনিতি হোলদা তুলকিট অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াখি।

**মরু-মরাং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী অরাপতি কোমলা ইঙ্খোলগী লৌ পরি অহুমলোমদা হঙ্গাম মরু অমদি হৱাইথরাকনচিংবা মরু-মরাংশিং ঙসিদগী হুনবা হৌখ্রে।

মরু-মরাং হুনবগী থৌরম অদু অরাপতি-উরুপ ফামরস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লিপ ইঞ্জিন এম.আই.ও. ফেসিলিতি হায়দ্রবাদতা হাংদোকখিবা, ভারত নেভিদা আই.এন.এস. মাহে শিন্নখিবা, স্কাই রুটস ইনফিনিতি কেম্পস হাংদোকখিবনচিংবা কয়া অসিনা ভারতকী অনৌবা ৱাখল্লোন-ইনোভেসন অমসুং নহারোলশিংগী শক্তি অদু উৎথোক্লে।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মন কি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী চিঞ্জাক্কী পোৎথোক হৌখিবা চহি তরা অসিদা মেত্রিক টোন কোতি তরা হেনগৎলে। ভারতনা শান্ন খোৎনবগী লমদসু মালেমদা মিংচৎ কয়া পুরক্লি অমসুং হন্দক্তসু লৈবাক অসিনা কম্মনৱেলথ গেমসকী য়ুম্বু ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

শ্রী মোদিনা হায়-২০২৫ অসি লৈবাক অসিগী শান্ন খোৎনবগী লমদা

খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক অমদা লাকপা ঙম্লি। থা অমরোমগী মমাংদা ভারতকী নুপী টিমনা আই.সি.সি. ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ ফংবা ঙমখি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা তোকিওদা পাঙথোকখিবা না পংলবশিংগী ওলিম্পিক্তসু ভারতনা তকমান ২০ ফংদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স উৎখি।

লৈবাক অসিগী চিং, এদভেঞ্চরগী মচাকশিং অমদি সংস্কৃত্তিনা ৱিন্টর টুরিজম চাউখৎহন্নবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি। লৈবাক অসিনা খোহি পুথোকপগী অনৌবা রেকোর্ড অমসু থন্বা ঙমলে হায়না প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী মন কি বাট থৌমরদা ফোংদোকখি।

**এফআইআরঃ** চহি তরা হেল্লক্লবা নেসনেল হেরাল কেসকা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসকী ইকোনোমিক ওফেন্সেস ৱিং (ই.ও.ডব্লিয়ু) না কংগ্রেস লুচিংবশিং-সোনিয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধিগী মথক্তা নৌনা এফ.আই.আর. অমা থাংগৎখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট (ই.দি) না মখোয়বু লৌতুনবা, নমথাক তৌবা, নেসনেল হেরাল পাউ-চেগী পাব্লিসর ওইরিবা এসোসিয়েটেদ জর্নেলস লিমিটেদকী লন-থুমগা মরী লৈননা ৱাকৎলকপদগী এফ.আই.আর. অদু থাংগৎখিবনি। ই.দিনা মসিগী মতাংদা হান্নবা চার্জসিট অমসু থাংগৎখ্রবনি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১২ গী ওইনা হৌজিক চত্থরিবা ইলেক্তোরেল রোলশিংগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) রিভাইসকী মতম নৌনা শেমদোকখ্রে।

শেমদোক্লবা নোটিফিকেসন অসিগী মতুং ইন্না ইন্যুমেরেসনগী অরোইবা মতম দিসেম্বর ১১ ফাওবা শাংদোকখ্রে। মসিগী মতুং ইন্না দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলনা দিসেম্বর ১৬ তা অদুগা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোলনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ১৪ দা ফোংলগনি।

উত্তর প্রদেস, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন, ছাতিসগর, গৱা, গুজরাট, কেরলা, লক্ষদ্বিপ, মধ্য প্রদেস, পুদুচেরি, রাজস্থান, তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাদা হৌজিক ইলেক্তোরেল রোলশিংগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন চথরি।

**কেম্পেন ঃ** অঙাং ওইনা লুহোংবা মুথৎনবা লৈবাক শিনবা থুংবদা হন্দ্রেদ ডে ইন্তেন্সিভ এক্সন প্লানগী শরুক অমা ওইনা পাক শন্না খোঙজং চংশিল্লি। মকোক থোংবা ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা এফ.এক্স.বি ইন্দিয়া শুরক্সানা তোঙান তোঙানবা কাংলপশিংগী খুৎশমদুনা মেঘালয়গী রিভোই জিলাদা অঙাং ওইনা লুহোংবগী থৌওং লৈহন্দনবা খোঙথাং অদু লৌখৎপনি। বাল বিবাহ মুক্ত ভারতকী খোঙজং অসিদা স্কুল কলেজ, লাই খুরুমফম অমদি খুঙ্গংশিংদা অঙাং ওইনা লুহোংবগী থৌওং মুথৎনবগী পাউজেলশিং শন্দোক্লি।

**ফুটবোলঃ** দি.এস.এ. ককচিংনা শিনদুনা চথরকখিবা অনিশুবা ফুটবোল লিক-২০২৫ গী ৱিন্নর ৱাই.জি.সি. লাংমৈদোংনা ওইরে।

দি.এস.এ. প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লিকতা ৱাই.সি.জি. লাংমৈদোংনা এস.ই.এস.য়ু. ককচিংবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা চথরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিক ২০২৫-২৬ কী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবনা সঙাই হেরোজপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ক্ষেত্রি ইরিল মপান য়ুথ ক্লবনা চান্দেল এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক

গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-এস.দি.সি. লাইফম খুনৌনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোঙবু রন-১২২ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঙসিদগী থাঙ্গাগী লাইনিংথৌ লম্পাক খুঞ্জেম লৈকাই গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুঞ্জেম লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৯ না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা এম.এস.এ. লিজেননা বাউন্দরি ব্রেকরসপু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

**স্পোর্টস ঃ** সয়েদ মোদি ইন্তরনেসনেল বেদমিন্টন তুরনামেন্ট ২০২৫ গী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙসি ভারতকী শ্রীকান্টকা ৱার্ল্ড নম্বর ফিফতি নাইন- হোং কোং চাইনাগী জাসন গুনাৱানগা অদুগা নুপীগী দবলস ফাইনেলদনা ভারতকী ত্রিসা জোলি অমসুং গাইত্রি গোপিচান্দগী জ়রানা জপানগী আইথ সিদেদ কাহো ওসাৱা অমসুং মাই তানাবেগী জ়রাগা থেংনরগনি।